HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 51, Issue No. 59 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ থাংজ, ইঙাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, May 23, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# চীং ১সুং তমগী লূপ ১০না গভর্ণর ১দি চীফ মিনিষ্টরদা দিমান্দ নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা নাগা ৬ তেক্ত-কায়দনা রেস্ক্যু তৌগদবনি

## করিগুম্বা নাগা মীচম ৬ শিনা ফংলবদি মসিদা থোরকপা থৌদোকশিংগী তেকচাক লৈঙাক্লা পুগদবনি : লূপ ১০

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস):**

থা অসিগী ১৩গী অয়ূক্তা কুকি খূৎলায় পায়বা খূৎপুনি চিংনবশিংনা কোটলেন অমসুং কোটজিম অনীগী লোন্নবা লম্বীদা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লিদর য়াওনা মীচম ৩ হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা ৪বুনা শোকহনখিবা থৌদোক থোকখিবগা ইকান কান্নদনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফৈ কুকি খুলদগী মমিৎ অমসুং মখূৎ পুনশিল্লগা ফাখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী হৌজিক ফাওবা মফম খঙদ্রিবা পাষ্টর য়াওনা নাগা মীচম তরুক নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা তেক্ত-কায়দনা রেস্ক্যু তৌগদবনি হায়না চীং অমসুং তমগী লূপ ১০না গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা জোইন্ট মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

**গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা দিমান্দ তৌরিবা লূপশিং**

(১) কৌব্রু রেঞ্জ লিয়াংমাই ৱিমেন্স য়ুনিয়ন (২) লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল, ইষ্টর্ন জোন (৩) মখান-কংলাতোংবী নাগা ফোরম, (৪) মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেশন (৫) ফুটহিলস নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটি (৬) ইম্ফাল নাগা বিজিনেস এসোসিএশন (৭) কোকোমি (৮) আই পি এফ এম (৯) অমুকো (১০) থৱায় মিরেল

মেমোরেন্দম অসি কৌব্রু রেঞ্জ লিয়াংমাই ৱিমেন্স য়ুনিয়নগী কনভিনর নমদিন থিয়ুলিয়ু মারেনমাই, লিয়াংমাই নাগা কাউন্সিল, ইষ্টর্ন জোনগী চেয়রমেন সিলিয়াংবৌ মলাংমাই, মখান-কংলাতোংবী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মে ১৩,২০২৬তা লৈলোন ভাইফৈ খুলদগী ফাখিবা মীচম তরুক


রেভরিন্দ মানু থিয়ুমাই


ফেনরোঙৱি থিয়ুমাই


ফেনরিলুং চৱাং


কালিৱাংবৌ অবোনমাই


পাষ্টর কেনপিবৌ


দিলিপ থিয়ুমাই

### মণিপুর য়াওনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ২৪ খন্নবা মীখল জুন ১৮দা পাঙথোক্লগনি

# টিকেট পীবিয়ু হায়দ্রি, কেন্দিদেট খনবগী প্রোসেস তৌদ্রি এম পি ওইনা থবক খরদি তৌজখিবনি : লৈশেম্বা

নোমিতা খোংবান্তাবম



**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস):**

পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাগী মেম্বর ২৪ খন্নবগীদমক মণিপুর য়াওনা ষ্টেট তরাগী মীখল মথং থাগী ১৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লাউথোকখ্রে।

কম্মিশননা লাউথোরকপদগী মণিপুরগী ওইনা অমখক্তা ঙাইরিবা সিট অসিগী মেম্বর ওইরক্লিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগা ৱারী শারুবদা মহাক্না হায়, ঐহাক্না এম পি ওইরকপা চহী ৬ ফারক্লে। মথংগী মেম্বর অমুক খন্নবগী মতম পীরক্লে। ঐনা এম পি ওইরক্লিবসিদি লৈতাদবা অমগী মরক্তা ওইজরকখিবনি। এম পি হেক ওইরকপগা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মায়োক্লখ্রে। মসিদগী খরা ফগৎলকপদা লান অমুক থোরকখ্রে অমসুং মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল লৈখ্রে হায়রি।

এম পি অমা ওইনা তৌনীংবা খরদি তৌখ্রে। ঐহাক করিমত্তা তৌখিদবা নত্তে অদুম ওইনমক এম পি অমগী ফংফম থোকপশিং মপূং ফানা ফংখিবদি নত্তে। মসিগী মনুংদা শেল ককথবসু য়াওখি। ঐগীসু অহৌবা লৈবনিনা অরোইবা অমসু লৈগদবনি। মথং থাগী ১৮দা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী মেম্বর খন্ননবা মীখল পাঙথোক্লগদৌরিবনি। ঐহাক্না তৌজরকখিবা থবকশিংগী পর্ফোর্মেন্স য়েংলগদি খঙদ্রে। ঐঙোন্দা টিকেট পীবিয়ু হায়খিবা লৈত্রি অদুগা কেন্দিদেট খনবগী প্রোসেসসু চথবা লৈতে। মীওই অমত্তনা টিকেট পীবিয়ু হায়রকপসু লৈত্রি অমসুং হোৎনদ্রি হায়রি।

এম পিনা মখা তানা হায়, ঐগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কাংপোকপীদগী পেসেন্ট ১ সিক্যুরিটিনা য়োম্লগা রিমসতা লায়েংখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** চীং অমসুং তমগী তাইনফম খরদা রেদ অমসুং বফর জোন হায়বশিং লৈরক্তুনা চঙন-থোক্লা য়ারক্তবা চহী অহুম হেল্লক্লবসু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা চীংগী মীওইশিংনা তম্পাক্তা লাকপদা অমসুং অনা-লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী পেসেন্ট অমা রিমসতা পুরক্তুনা সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লায়েংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী পেসেন্ট অমা রিমসতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লৈঙাক্তা পেন্দ্রিবনি হায়দুনা বন্দ-ব্লোকেদ ১দি শটদাউন তৌহন্নীংদে : খেমচান্দ



**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্তা পেন্দ্রিবনি হায়দুনা বন্দ-ব্লোকেদ অমদি শটদাউন তৌরগা মীয়াম, মরু ওইনা নোংমগী শুরগা চাজবশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবনা অসিগুম্বা খোঙজংশিং তৌহন্নীংদে হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

লমশাং এ সীগী মনুং চনবা অখাম, সলাম অমদি মাক্লংদা নৌনা শাবা থোং অহুম শঙ্গারদুনা মহাক্না হায়, লৈঙাক্তা পেন্দবা-শাওনীংবা লৈরকপদা ৱাকৎপা তাবনি অদুবু বন্দ-ব্লোকেদনচিংবা তৌবগী মহুত্তা ৱারী শানদুনা অমদি তান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

অখাম ময়ায় লৈকায় অমদি মাক্লং কৈথেলদা পাঙথোকপা শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, চহী খরসিদা মণিপুরদা ওইরক্লিবা তংদু-লৈতাদবা অমদি নুংশিনবা ৱাৎপনা চীং অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি ইনপিগী শটদাউননা লমখাংদা পল্লিবা গাড়ীগী মীওইশিং খম থেংনা ৱারে



**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা কোটলেন অমসুং কোটজিমদা থোকখিবা এম্বুশকী থৌদোক মতুংদগী কুকি ইনপি মণিপুরনা নেশনল হায়ৱেশিংদা চত্থরকখিবা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং থেঙ্খ্যাং নাইনা শাংদোকহল্লক্লবা মতুং ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী মখা তানা পুং ৪৮গী ওইনা অমুক শাংদোকহল্লকখিবনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী টি খুলেন্দগীনা মাও ফাওবগী মরক্তা পন্দুনা লৈরকপা গাড়ী পূন্না ৬৬৪ রোম শুখ্রে। গাড়ীশিং অসিগী মনুংদা বস ১৮, ৱিঙ্গর ৬, এল পি জি বুল্লেট ত্রক ২, দি আই টাটা ৪, ওইল টেঙ্কর ২২ অমসুং অতৈ পোৎ চৈ পুবা ত্রক ৬১২ য়াওরি।

নুমিৎ ১০নি চূপ্পা লমখাংদা পন্দুনা লৈরকপা গাড়ীশিংগী দ্রাইভর খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মখোয়না পোৎ চৈ লৌথোক লৌশিন তৌবা চৎপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



HL-B/11378/23